ইরৈবাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮, ২০২০

# লোগী মায়োক্তা মীয়ামগী ইহৌ

লন্নাই লুপ নৎত্রগা মীওই খরনা ইসু অমগী মতাংদা লৈঙাক্তা নৎত্রগা মরি লৈনবশিংদা তকশিনবদা বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিনবা য়াদে হায়বসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা সুপ্রিম কোর্টনা ব্বায়েল পিখ্রবনি। বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং অসি মীওই কয়াগী রাইটতা য়াম্না চাওনা শিংনৈ। মরম অদুনা খোঙজংসি লোগী মায়োক্তনি। বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিল্লকপদা লোগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী খংহনবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিং অসি চপ চানা থবক ওইনা পায়খৎলকপা লৈত্রি। মনিপুর অপিকপা ষ্টেট অমা ওইরগসু তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারি। লৈঙাক্লা পায়খৎপা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা চাকথুং ফিথুংদবগী ব্বাকৎ অমদি মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎকী ব্বাংমদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং নোংমা কাংদনা থোক্লি হায়বা য়াই। মসিগী মথক্তা ফুরুপকী ওইবা ইশুশিং মতম মতমগী থোক্তুনা লাক্লি। শম্না হায়রবদা অপিকপা ষ্টেট অমা ওইরগসু নোংম কাংদনা ইসু মশিং য়াম্না মায়োক্লরিবা লমদম অমা ওইরি। ইসু মশিং য়ামখৎলক্লিমখৈ মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবগী চাং হেনগৎহল্লি। মসিনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীফমদা হেন্না অকায়বা পিদুনা মীয়াম্বু তংদু লৈতাহন্দ্রি। লন্নাই লুপশিংনা মখোয়গী ওইবা দিমান্দ মনিপুর লৈঙাক্তা দেটলাইন পিদুনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা লৈঙাক্লা থবক ওইনা পাঙথোক্লক্তবদগী মতম শাংনা মনিপুর বন্দ লাউথোরকপা অমদি নেস্নেল হায়ব্বেদা ইকোনোমিক ব্লোকেদনচিংবগী খোঙজং চংশিল্লকপদগী মনিপুর মীয়ামগী পুন্সিদা য়াম্না চাওনা চৈথেং পিদুনা লাকখ্রবনি। ইসুগী ওইনা শেন্নকপা জে এ সিনচিংবা কয়ানা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিংগীদমক অরাইবা পান্বে ওইনা শিজিন্নরক্লিবসি বন্দ, ব্লোকেদ হায়বসিনা মরু ওইরক্লি।

কন্সটিট্যুসননা পিবা রাইট অদু তানবদা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চংশিনবদা কন্সটিট্যুসন্না অয়াবা পিরি। লৈবাক মীয়ামগী ওইবা ইশুদা অমদি মরম চাদবা বন্দ, ব্লোকেদকী খোঙজং লাউথোরকপদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগত্তুনা লাক্লি। লন্নাইগী ওইবা ইসুদা বন্দ ব্লোকেদনা মাঙ থারগা খোঙজং চংশিনবদা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপা ব্বাৎকনি। মরম চাবা দিমান্দ লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংগা তরেৎ তরা থোক্লা খন্নদুনা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী কদাই ফাওবা থবক পায়খৎপা ঙম্বা ঙমদবা হায়বদু মীয়ামদা মমুৎ তানা খংহনবা চুমগনি। ইসু অমা মায়োক্লরকপা মতমদা মায়োক্লরিবা ইসুদু মীয়ামদা মমুৎ তানা খংহন্দনা অমদি লৈঙাক্কী মরি লৈনবশিংগা মমুৎ তানা খন্ন–নৈনদ্রিঙৈদা মীওই অহুম মরিনা লমদমসিগী মীয়ামগী মমিংদা বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং হেক্তমক লাউথোকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। মীয়ামদা চৈথেং পিগদবা বন্দ ব্লোকেদকী খোঙজং চংশিন্দ্রিঙৈদা ইসু অদুগী মতাংদা মমুৎ তানা মীয়াম হুপ্না খন্ন নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়ামগী থৌগায় পুরিবা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী মীয়ামগী মরম চাবা দিমান্দশিং খোঙজং চংশিন্দ্রিঙৈদা পিবা য়াবা পিরগা লৈবাক ইরাং হৌদনবা থৌশিল পায়খৎপা চুমগনি। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌশিল অদু মীৎয়েং শানবা ওইগদবনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী য়াশিন্নবা হায়বা অসিনদি তুংকোইনা ব্বারোইশিন পুরক্নবা থৌশিল ওইরোই। লোয়ননা মীয়াম মরক্তগী মীয়াম পুন্বদা অব্বাবা চৈথেং পিগদবা লোগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংশিং মতম চানা লৈঙাক্লা থেংননবা থবক পায়খৎপা চুমগনি। লোগী মায়োক্তা মীয়ামগী ইহৌ থিংনবা লৈঙাক্কী লৈরিবা লো মপুং ফানা চৎনহনবা মথৌ তাই।

# অনাবশিং ব্বাখল নুঙাইহন্সি, নাদ্রিবশিংদা শন্দোহল্লোইসি – ১

মাইবম সোমেন সিংহ

অইবা ইশা মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা, কিনরিবা কোবিদ–১৯গী এক্সপার্ট অমদি নচ্চদে। অদুবু মীৎনা উরিবা, এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লিবশিং থেঙনজরুবদগী থাজরুবশিংদু খোমজিঞ্জরগা মীয়ামদা খরদা ওইরবসু কান্নগনি খন্দুনা পাউদমসি থমজবনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র বোডিনা ওক্টোবর ২০ দা মহাক্কী কোবিদ–১৯না পাক শন্না শন্দোরকপগা মরি লৈননা জাটিদা পীবা মহাক্কী ৭শুবা পাউজেল পীখি। ইন্দিয়াদা মথং মনাও নাইা লাক্কদৌরিবা কুম্কৈশিংসিদা লায়নাসিনা লাক্ত্রিঙৈদা লৈখিবা মহৌশাগী মতৌদুগুম্না লাইথোক্তনবা চেক্সিন ব্বা মীয়ামদা পীখি। লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরসসি হৌজিকশু ঐখোয়গী ফুরিৎখাউদা য়াউরি, চেকশিন্দবা য়াদে হায়খি।

মহাক্কী পাউজেন্দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংদা লায়না অসিনা নাবা মীগী মশীং হন্থরুরবা মতুংদা অমুক হন্না মশীং খংহেন হেনগৎলক্লিবদু খুদম পীরদুনা লায়নাসি মপুং ফানা লায়েঙবা ঙমদ্রিবা ফাউবদি মীয়াম্না লায়থোক্তনবা চেকশিন ব্বা থমখি। মহাক্লা ব্বার্নিং পীজরবসু লৈবাক সিদা লৈরিবা পোলিটিসিয়ানশিংনদি লাক্লিবা বিহারগী জেনরেল ইলেক্সন নুমিৎসিদা লৈবাক খরগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা এস ও পি অমদি গাইডলাইনশিং থুগায়বা অদুম্মক থেংনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা পাউজেল পীখিবা নুমিৎসিদা বিহারগী পলিগঞ্জদা আর জে ডি গী লুচিংবা তেজাস্বী না শিনবা অচৌবা রেল্লি অমদা মীওই লীশিং কয়া তিন্দুনা গাইদলাইন থুগায়খি। মসিগা চপ মান্ননা বিহারগী সি এম নিতিশ কুমারনা জেহানাবাদতা ইলেক্সনগী মিটিং অমদা ব্বা ঙাঙবদা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিংগী নিয়ম থুগাইখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা ষ্টেট অসিগী কাইপুর ডিষ্ট্রিক্তা উত্তর প্রদেশকী সি এম যোগী অদিট্যনাঠ য়াউনা ভোট্টরশিংদা ব্বা ঙাঙবগী মিটিং অমদসু চপ মান্নবা থৌদোক থোকখি।

ইরমদম অসিদসু নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিদা বিহারদা তৌরিবা মওং অসিগা মান্নবা থৌদোকশিং অদুম্মক থোক্লি। ভোটকী রেল্লি অমদি মিটিংদা কেন্দিদেটশিংনা মী য়াম্না তিনবা তান্নবগী চৎনবী অমা মহৌশাদগী অদুম্মক চৎনদুনা লাক্লি। চৎনবী অসি কোবিদ–১৯গী লায়চৎ মরকসিদা অদুম্মক মখা চত্থবা উরি।

বাই ইলেক্সনসিগী মনুং চল্লিবা কন্সটিটুয়েন্সি অমদা ষ্টেট অসিগী মশক নাইবা লুচিংবশিং য়াউবা মীটিং অমদা মী য়াম্না তিনখি। শরুক য়ারিবা মীওই অয়াম্বনা ফেস মাস্ক শীজিন্নখি, শীজিন্নদবসু অদুম্মক য়াউখি। অদুবু লায়না অসি শন্দোক্তনবা খ্বাইদগী মরু ওইনা ঙাক্কদবা সোসিয়েল ডিষ্টেন্সিং ঙাকপদি উখিদে। ইলেক্সন অসিনা লায়না অসিবু পাক শন্না শন্দোকপদা মতেং পাঙদুনা অনাবগী মশীং হেনগৎলক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা ফাউনরি।

অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অসিগী মরক্তা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী ফরক্লবা মীওই কয়াগী য়াম্না মরু ওইবা পাউ খরা লাক্লি। লায়না অসিদগী ফরক্লবনিনা মকা তানা কিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ব্বাখলদা খঞ্জরবসু মখোয়দা শ্বর হোনবা ব্বাবা, হকচাং চোকথবা লাঙতক্লবা অদি পূক্লিং ব্বাখল লৈতাদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা য়াই হায়না অনৌবা রিছার্চ অমদা ফোঙদোরকখি। অসুম্না মখোয়গী হান্নগী নোর্মেল লাইফতা ওইখিবা হকচাংগী ফিভমদু ফংবা ঙমদবা য়াই হায়নসু ফোঙদোরক্লি। ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চ অমগী মতুং ইন্না কোবিদ–১৯দগী ফরক্লবা মীওই তরাগী মনুংদা ঙসি শ্বর হোনবা নুঙাইতবগী অব্বাবা থেংনবা উখি হায়না ফোঙদোক্লকপা থেঙনরে।

# মান্নবা চাকথুং মান্নবা থৌদাং

য়ুম্নাম রানাপ্রাতাপ

ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসি জাটি কয়া খুন্দাদুনা লৈবা মাগী মাগী জাটিদুগী তোঙান–তোঙানবা লোল, চাকচা–য়ুথক তোঙাল্লি। ফিজেৎ–ফিওং তোঙান তোঙানবা মওংদা শেৎ–ইনবা অসিসু ধর্ম্ম–কর্ম্মগা মরি লৈনবা মতমদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। মাগী মাগী কলচর য়োকখৎচবা ওইনা নাৎকী চৎন–কাঙলোন ঙাকপসিসু মাগী মাগী জাটি অদুগী হোংফদ্রবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট২৮, য়ুনিয়ন টেরিটরি ৯ পুন্না মাগী মাগী লৈঙাক লৈজবা লমচৎ ঙাক্তনি। ষ্টেট পিকপা চাউবা মীশিং য়াম্বা য়ামদবা তোঙান্না থম্লগা ইন্দিয়াগী আইননা কোভর তৌরিবা শেলয়েক চৎলিবা অমসুং ফিরাল অমগী মখাদা হিংলিবা মীপুম খুদিংমক ইন্দিয়াগী সিটিজেননি। ঐখোয়না চহী মঙা–মঙাগী ভোৎ থাদরমদাইদা য়াম্না ভেল্যু লৈহনবা, ভোৎ লোইখ্রবা মতুংদনা হন্থনা য়েঙবগী মওংসি ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক্লা পাল্লমলোই।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ইকোমোমি ফরিবা ষ্টেটশিং টামিলনাদু, মহারাষ্ট্রা, গুজরাট অমদি ন্যু দিল্লিগী প্রজা অমনা ফংবা চাকথুংদু মনিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা চীংগী টিপাইমুখ, সোমদাল অমসুং তৌশেমগী প্রজাশিংদসু ফংহনবা ঙল্লবা মতমদুদা ঐখোয়না লৈঙাক্কী মঙাল ফংলে হায়না লৌবা য়ারে। লম্বী–থোং, মৈ–ঈশিং অনা লায়েং মহৈলোয়শং অমসুং লৈঙাক্লা পীরিবা অমসুং ফংহনবীরিবা পি দি এস কী চেং–হব্বাই, থাউ–থুম খুদিংমক্কী চাং অমত্তা চাদনা পংলবা মতম অদুদা সহর–খুঙ্গং কয়াগী ষ্টেট চাউবা পীকপা খায়দনা মান্নবা চাকথুম ফিথুংলবা মতম অদুদা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়গা লৈঙাক্কী মহালদা পুন্না হিংজবা ঙমগদৌরিবনি। মনিপুর তম্পাক্কী য়ূমথোং খুদিং লাইরি লাইশু হৈরবা মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী অমসুং মনিপুরগী হৌন–লিচৎ চৎপা, কাঙলোন খুদিংমক ঈ–পাইশিংদগী অমসুং তাবা উবা ফংলবা মতম অসিফাউবগা চেং শুনা পীবিদ্রে, জোব কার্ডকী থবক মতম শুনা শুহনবীদ্রে হায়বা তারি। মসিদা নত্তে অনাবা কয়া, মশা লূম্লবী কুমঃতা শুরবী কয়া লম্বী–থোং ফত্তবনা গাড়ী চংবা য়াদবদগী ময়াম চংদুনা ব্বানা দোলাই শারগা পুথোক্লরক্লিবশিং অসি ইন্দিয়াগী কেপিটেল দিল্লিগী মীনা উরগা করিনি হায়না লৌরমগদৌরিবনো?

থাপল–থাপ্লবা চীংনুংগী লম্বী কয়া শম্নবা গাড়ী চখোক–চৎশিন য়ানবা হায়দুনা ইন্টর ভিলেজ রোড কয়া অমগা অমগা ফাউনবা শম্নবা য়ানবা থৌরাংশিং কদোমদা থৈদোকখ্রে? মীয়ামগী পূন্সি মহিং কয়াদা ফিভম ফগৎনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু কাচিন য়ৌশিনবা ঙমদবা হায়বসি মখোয়গী ফংফম থোকপা হক ফংদ্রে অমসুং চাকথুং ফিথুংদ্রে হায়বনি। অমরোমদসু ইন্দিয়াগী কোপিটেল দিল্লিদগী কেরেলাগী কোনুং ঠিরুভন্দপুরমদা লাপ্নবগা, মনিপুরগী কেপিটেল ইম্ফালগা দিল্লিগা লাপ্নবা কনা হেল্লিবগে। অদুগা খুদোংচাবা ফংবনা কেরেলাগী মীয়াম্না হেন্না ফংলি। মসিনদি মতম অমসুং শেল–থুমগী ফিভম ফবা হেনবা তাবনি। মসিগুম্বা কয়াসিনা ঐখোয় পূম্নমকপু হেক হেক নীংবা কায়হনবা থোক্তবা নত্তে। ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম অপুনবা পাঙ্গল অমদা লেঙদনা লৈবা ঙম্নবা মান্নবা চাকথুং–ফিথুংহন্দুনা ইন্দিয়াগী সিটিজেন খুদিংমক্কী মফমদা লৈঙাক্কী মহাউ, লৈঙাক্কী মশেক মঙাল য়ৌহনবগী তঙাই ফদবা লৈতবা নত্তে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মী অমসুং ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটরি কয়াদা মাগী মাগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মী কয়াগী মফমদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনিগী খেন্নবা লৈহনবসিদি পূক্লিং ব্বাখলদা নুঙাইবা ফাউহনবসি লৈবাক অসিগী লো–মেক্করগী, এক্সিকুযুটিব অমসু জুদিসিয়ারিনা খেন্নবা লৈহনদনবা থৌরাং লৌখৎপিরপা মতমদা পূম্নমক্লা মাগী মাগী ব্বাখন্দা মান্নবা চাকথুং–ফিথুংহন্দবদুনা পোকহনলক্কদৌবা অপুনবা ব্বাখলগী ইচেলদুদি মমল নাইদ্রবা, লৈবা ফংদবা, উবা ফংদবা ইমোস্নেল অমনি হায়না থমজগে। ঐখোয়গী ইন্দিয়াদা মতমগী মতুং ইন্না কৈথেলগী পোৎ–চৈগী মমল হেনগৎলকপসি য়েংলগা চহী ১০–১০খুদিংগী পে কম্মিসন শেমদুনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংগী পে অসি রিভিজন তৌদুনা সেন্টরগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংগী পে অসি রিভিজন তৌদুনা সেন্টরগী লৈঙাক মখাদা লৈবা শিন্মী পূম্নমক্কী পূক্লিং ব্বাখল নুঙাইহল্লি।

ইন্দিয়াবু ঙাক–শেল্লিবা ঙমখৈদা চাকশিন নাদুনা মিৎকুপ নাহুম শিংনা য়েক্লবনা করি তৌরি, তৌরক্কনি হায়না কুপশেন শেন্নরিবা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্স মখল শুনা কানবা ফংহন্দুনা মখোয়গী পূক্লিং ব্বাখল নুঙাইহল্লি। অদু ওইরবদি মখোয়না মথৌদা পূক্লিং চংবা তাবনি। পূক্লিং চংনা মথৌ তৌরবদি থবক খুদিং খুম্মাং চাউশিনবা হায়বসি মহৌশানি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী মনুং মপানবু ঙাক–শেল্লিবা ইন্দিয়ান আর্মি, বি এস এফ, ইন্দো টিবেটিয়ান বোর্দর ফোর্স অমসুং মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা পেরা মিলিটরি ফোর্স কয়াগী য়াইফনবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা মখোয়গীদমক পায়খৎপা য়াইফ থৌরাং মখল মখল পায়খৎলি। মসি ইন্দিয়াগী সেন্ট্রল ফোর্স খুদিংমক মীয়াম্না য়াম্না পাম্নহন্নবগী মরম অমসু ওইহল্লি। ইন্দিয়ান রেলব্বে, ইন্দিয়ান পোষ্টেল সার্ভিস, ইন্দিয়ান ইনকম টেক্স এণ্ড এক্সাইজনচিংবা কয়াগী শিন্মীশিংনা মাগী মাগী মতমদা প্রোমোসনগী ব্বানোম্বা তলব তান্নবা, পেন্সন তান্নবা অমা ফাউবা থেংনদে। শিন্মী অমনা শিন্মী অমা ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা মাগী মাগী মথক থোংবা সুপরভিজনদুগী মখাদা মথৌ পাঙথোক্লে। লম্বী লম্ফে চৎনদে, মাগী মাগী মথৌদু পাঙথোকপদুনা মাগী তঙাইফদবা ওই।

মসিমক তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী লাইশং কয়াগী শিন্মী কয়ানা প্রোমোসন তান্নে, সার্ভিস রেগুলার ওইনবা তান্নে, তলব তান্নে, ব্বাচৎ ব্বানোল্লিঙৈদা মথৌ তৌদে। মসি খ্বাইদগী চাউখৎ লমজেন্দা খুরৌ থাংবনি। মসিদসু নত্তে অপুনবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক মখাদা শিন্মী খুদিংমক্কী মফমদা মান্নবা চাকথুংগী ব্বাকৎ কয়া ষ্টেট অসিদা হেক হেক থোক্তুনা লৈবাক ঈরাং হৌই। ইন্দিয়ানা মনিং–মখা তম্বা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈঙাকপা হৌখিবদগী চহী তরা তরা খুদিংগী পে কম্মিসন শেমদুনা ১৯৫৬, ১৯৬৬, ১৯৮৬, ১৯৯৬, ২০০৬ অমসুং ২০১৬ অসুম্না থেঙ্খাং নাইনা তরেৎলক রিভাইস তৌদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্মী খুদিংমক হরাউনা হিংমিন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিদসু নত্তনা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মখাদা লৈরম্বা থবক্তঃগী পোত্থারবা শিন্মী কয়াসু মখোয় মখোয়গী পেন্সনসু রিভাইস তৌদুনা ৭শুবা পে স্কেলগী নিয়মগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা খুদিংমক ফংহল্লি। মসিনা সেন্ট্রেলগী লৈঙাক মখাদা লৈবা শিন্মী ওইরিঙৈ অমসুং শিন্মী ওইবদগী পোত্থারবা ফাউবদা য়াম্না মওং চুমনা ব্বাচৎ–ব্বানোম্বা য়াউদনা য়াম্না ফজনা ষ্ট্রিম লাইন তৌই।

মনিপুর ষ্টেট অসিগীদি ৭শুবা পে স্কেল পীবিনবা ব্বাকৎ মীফম পেন ডাউন, সিজ ব্বার্ক মখল মখা কয়া তৌখ্রে। থবক শুদনবা লৈঙাক্লা শিন্মীদা বার্ত্তন তৌই, ভালর্ক চার্জগী, মাষ্টর রোলগী অমসুং কেজুয়েলগী তলব মান্নহন্দুনা মাগী মাগী লোইশং অদুদগী মথৌ তৌবা তোক্লগা তলব তান্নহন্দুনা থবক শুহন্দে। মসিদসু নত্তনা এদেদ কলেজ কয়াগী ওজাশিংগী তলব তান্নবগী থবক তৌদুনা ওজা খর মাগী লোইশঙ অমসুং মনিপুর সেক্রেটরিয়েৎকী মরি লৈনবা পিয়নদগীনা দিল্লিং মথং মথং সেক্রেটরি, কম্মিস্নার ফাউবা ফাইল তান্নহনবগী তৌফম থোক্তবা থবক কয়া তৌহন্দুনা মথৌ তৌহন্দে।

ষ্টেট অসিদি থৌওইনা পেন্সন তান্নবীগে হায়বা মীওই কয়া চোংথোরক্লগা মাগী মথৌ অমা ওইনা লোইশং সেক্রেটরিয়েৎ অমসুং এ জিনচিংবদা তোঙান্না পেন্সন তান্নবা মীগী ফিদা ফংই। মসি লমদমসিগী লৈঙাক্লা উরিবনি খঙলিবনি তারিবনি অদুম্মক য়েংদুনা লৈ। ৭শুবা পে স্কেল পীয়ু হায়বগী ব্বাকৎ পেন্সন্নরশিংদা ৭শুবা পে স্কেলনা লেপ্পা নিয়মদু চৎনহনবীয়ু হায়বগীসু ব্বাকৎ মীফম মসিদ নত্তে ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পাম্লোইদবা তৌহন্নিংদবা ওইহন্নিংদবা হেক হেক তৌশিন্নকপা, ওইহল্লকপা কয়ানসু ষেটট অসিদা চরাংনবা খোইরাং খোইশাওনবা কয়া থোকহন্দবা নত্তে।

# ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

## লাই মীনম চানগুমসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক মালেমগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা কোবিদ পেন্দেমিক অসিগী ব্বারোইশিন অমা হায়বদু লৈত্রি। ভাইরস অসি থোইদোক্লা চিলহাউ থিদে হায়বসি খ্বাই তরানা অদুম্মক খংনরবনি। লায়রবা ইনাকখুনবা, ফম অচৌবা, মচা পায়বা, লাইনিংগী অচৌবা থবক–থৌরম পাঙথোক্তুনা লাই তাইনবা ঙম্বা মীওই ফাউবা ভাইরস অসিনা হঙ্গোইবা লৈতনা অদুম্মক লান্দারক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদদি লৈঙাক অমদি হেলঠ ডিপার্টমেন্ট য়াউনা অখং–অহৈ কয়ানা পীরক্লিবা পাউজেল কয়া মাঙদা তাদুনা লৈরবসু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকচবা হায়বসিদি ইশা ইশাগী তঙাইফদ্রবা থৌদাং ওইগদবনি হায়বসি ময়েক শেংলক্লে। মহিক অসিগী য়াম্না নাতৈ চদ্রিবা অমনা মহিক অসি পক্লবা মীওই কয়া অমসু লায়ও উৎথোক্তবা য়াওরি হায়বসিনি। অদুনদি হৌজিক কনাগুম্বা মীওই অমনা মশানা চিংনজদুনা টেষ্ট তৌথোক্কে হায়না খল্লিবশিং অমদি পোজিটিব ওইরবশিংনা লোৎশিন্দুনা কনাদসু হায়দোক্তনা তুমিন্না য়ৈশিন্দুনা থম্বা হায়বসি ওইথোক্ত্রি। অদুনদি পূক্লিংদা চিংনবা পোক্লবা অমদি পেজিটিভ ওইদুনা ক্বারেন্টি তৌদুনা লৈরিবা অমদি লায়েংলিবশিংনা অতোপ্পদগী আইসোলে ওইনা লৈনবা হোৎবসিনা মহাক মসাদগী হেন্দোক্তুনা ইমুং–মনুং ফাউবা লায়চৎসিদগী কলহৌবা ঙম্নবা পান্বে ওইদৌরিবনি। লাইবক থিবদি পোপ তুনা নাবমকসু নত্তবশিংদি পোজিটিভ ওইরে নৎত্রগা চিংনবা মীওইশিংনা শোক্ল শম্নরুরবা ফাউবাদ মদুগী মরমদা করিমত্তা হেক চিংনবা নত্তবনিনা মীরক্তা লৌনম তৌদুনা থোরকপা, হোটেলনচিংবদা মহৌশাগুম চংথোক চংশিন তৌবা হায়বসি থোইদোক্লা নুংসা থিনিংঙাইনি।

অদোমগী, ইবোতোম্বা মঙাং, লমদেং




লমায় অসিদা ফোংলিবা ফিচর আর্টিকলশিংদা পিরিবা মত অমদি লৌরিবা ফিরেপশিং অইবা মশাগীন– ইদিটর